ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯨꯂꯥꯢ ꯲꯵, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯱꯷ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, জুলাই ২৫, ২০১৯, ইম্ফাল

৪৩শুবা চহী, ১১৭শুবা মশীং

# আর টি আই এক্ট শেমদোক্লবা থৌরাং

## ইনফোর্মেসন কম্মিসনগী মনীং তম্বা মাঙহন্নবা থৌরাং ওইগদৌরিবরা

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা লোক সভানা রাইট টু ইনফোর্মেসন (আর টি আই) এক্ট শেমদোক্লবা বিল অমা পাস তৌখ্রে। এমেন্দমেন্ট বিল অসিগী মতুং ইন্না চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নর অমদি ইনফোর্মেসন কম্মিস্নরশিংগী থবক তৌবগী মতম লৈঙাক্না লেপ্লগনি। চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নর অমদি ইনফোর্মেসন কম্মিস্নরশিংগী সেলরি অমসুং অলাৱেন্সসু লৈঙাক্না কন্ট্রোল তৌরগনি। আর টি আই এক্টকী সেক্সন ১৩ শেমদোক্লগা চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নর অমসুং ইনফোর্মেসন কম্মিস্নরশিংগী থবক থৌরমদা লৈঙাক্না খূৎ থিংজিনবা ঙমহন্নবগী পান্দমদা এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌখিবনি হায়না থাজনরি। চপ মান্নবা মওংদা আর টি আই এক্টকী সেক্সন ১৬ শেমদোক্লগা ষ্টেট লেভেল চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নর অমদি ইনফোর্মেসন কম্মিস্নরশিংগী থবক থৌরমদা লৈঙাক্না খূৎ থিংজিনবা ঙমহল্লগনি। লৈঙাক্কী থবক থৌরম পূন্নমক মনুং-মপান ফাওনা উহন্নবগী পান্দমদা চৎনহনখিবা ট্রান্সপরেন্সি লো অমা শেমদোক্লবগী থৌরাং অসিবু ওপোজিসন পার্টিশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি। ইলেক্সন কম্মিসনগী ওফিসলশিংগা মান্নবা থাক্তা লৈরিবা ইনফোর্মেসন কম্মিস্নরশিংগী থবক থৌরমদা লৈঙাক্না খূৎ থিংজিল্লকপগী মতাংদা ওপোজিসন পার্টিশিংনা হায়খি, লোক সভানা পাস তৌখ্রবা এমেন্দমেন্ট বিল অসিনা আর টি আই এক্টকী ময়াক চমহল্লগনি। ইনফোর্মেসন কম্মিস্নরশিংগী মনীং তম্বদা খূৎ থিংজিন্নবগী পান্দমদা লোক সভানা পাস তৌখিবা বিল অদুবু "আর টি আই ইলিমিনেসন বিল'নি হায়নসু ওপোজিসন পার্টিশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা সোসল এক্টিভিষ্ট অনা হজারেনা হায়খি, ইলেক্সন কম্মিস্নরশিংগা ষ্টেটস মান্নবা ইনফোর্মেসন কম্মিস্নরশিংগী থাক হন্থহল্লিবা এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌখিবগী থৌওং অদু য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা নমথাক তৌবনি হায়না লৌবা য়াই। পাঙ্গল ময়েং তারক্লবসু কুমজা ২০০৫দগী চৎনরক্লিবা আর টি আই এক্টকী ময়াক চমহন্দনবা মীয়ামগা লোয়নন্না খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারে হায়নসু মশাগী চহী ৮৫ শুরবা সোসল এক্টিভিষ্ট অসিনা ফোঙদোকখি। হীরম অসিগী মতাংদা সোসল এক্টিভিষ্ট অরুনা রোইনা হায়খি, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী প্রি-লেজিসলেটিভ কন্সলটেন্সি পোলিসি নাথৈরল্লগা লোন্না-থুপ্না লোক সভাদা এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌখিবগী থৌওং অদু নুংনাংবা পোক্লিংঙাইনি।

অনদেম্মক্রেটিক ওইবা মওংদা লোন্না-থুপ্না পুথোরক্লগা লোক সভাদা পাস তৌখিবা মরম্না এমেন্দমেন্ট বিলদা করি-করি য়াওবগে হায়বা এম পিশিং, লৈবাক মীয়াম অমসুং মিদিয়ানা মাঙজৌননা খঙবা ঙমখিদে হায়না মরাল শীনরক্লি। লৈবাক্কী মফম পূন্নমক্তা আর টি আই এক্ট চৎনহন্নবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা 'আর টি আই কেম্পেন রাজস্থান' কৌবা ওর্গনাইজেসন অমনা হায়খি, ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না লুচিংবা নেসনল দেম্মক্রেটিক এলাইয়ন্স (এন দি এ)না কনামত্তা খঙহল্লম্বা তৌদনা লোক সভাদা তহা-তহা পাস তৌখিবা এমেন্দমেন্ট বিল অসি খূদক্তা ৱিথদ্রো তৌফম থোকই। সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট-ইনফোর্মেসন কম্মিসনশিং মনীং তৌনা মথৌ পাঙথোকপা ঙমহন্দনবগী থৌরাং অসি খূদক্তা খোঙফম হন্দোক্কদবনি হায়না দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনসু ফোঙদোরক্লি। পোলিটিক্সতা খোঙদারক্তিঙৈদা আর টি আই এক্ট চৎনহন্নবগী মতাংদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখিবা কেজ্রিৱালনা হায়খি, সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট ইনফোর্মেসন কম্মিসনশিংগী মনীং তম্বা মাঙহনগদৌরিবা থৌরাং অসি মতম চানা থিংহৌবা মথৌ তাই। মশাগী চহী ৭২ শুরবী কোংগ্রেস লুচিংবী সোনিয়া গান্ধীনসু এমেন্দমেন্ট বিল অসিগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখি। হিষ্টোরিক ওইবা আর টি আই এক্ট, ২০০৫ মুৎথৎনবগী পান্দমদা এন দি এনা লৌখৎলকপা থৌরাং অসি মায় পাকহল্লোইদবনি হায়না পল্লদুনা সোনিয়া গান্ধীনা হায়খি, এমেন্দমেন্ট বিল অসি এক্ট ওইনা চৎনরক্লবদি সেন্ট্রেল ইনফোর্মেসন কম্মিসন অমসুং ষ্টেট ইনফোর্মেসন কম্মিসনশিং মনীং তম্না মথৌ পাঙথোকপা ঙম্লরোই। সুপ্রিম কোর্টকী জজ অমগা থাক মান্নরিবা সেন্ট্রেল ইনফোর্মেসন কম্মিস্নর অমসুং হায় কোর্টকী জজ অমগা থাক মান্নরিবা ষ্টেট ইনফোর্মেসন কম্মিস্নরশিংবু লৈঙাক্না পুনিংবা মায়কৈদা পুবা ঙমহন্নবগী পান্দমদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি মতম চানা থিংহৌগদবনি হায়নসু মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি। মতাং অসিদা খন্নবা য়ারিবসি বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা মাইনোরিটি ওইরিবা রাজ্য সভাদা বিল অসি পাস তৌবা ঙমগদ্রা হায়বদুনি। হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা ওপোজিসন পার্টিশিং মোত মান্নবা তারবদি লোক সভাদা পাস তৌরকপা বিল খূদিংমক রাজ্য সভাদা পাস তৌহন্দবা ঙম্ফম থোকই। করিগুম্বা এমেন্দমেন্ট বিল অসিনা চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নর অমসুং ইনফোর্মেসন কম্মিস্নরশিংবু পোনদা য়োকপা তেনৱাগা পাংখক ওইহল্লগনি হায়বা তারবদি পোলিটিকেলগী খূদোংচাবা লৌবগী মওংদা লৈঙাকপু মরাল শীদুনা পংলাউ লাউবগী মহুৎতা ওপোজিসন পার্টিশিং অমত্তা ওইনা খূৎশম্নরগা রাজ্য সভাদা এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলকপনা হেন্না চুম্বা খোঙথাং ওইগনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### ঈ দব্লিয়ু এস সর্টিফিকেটকী চমম্নবা নুংগী ৱাহন্থোক

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

চহী কয়াগী মতুংদা মণিপুরগী রিমস হায়না খঙনরিবা মেদিকেল কোলেজ অসিদা চহীসিদগী এম বি বি এস তম্নবগী সিট ২৫ খক ওন্থোক্না ৱানা হেনগৎপীরক্লে। সিট ২৫ অসিগী মনুংদগী সিট ১১দি ইকোনোমিকেল্লি ৱিকর সেক্সন (ঈ দব্লিয়ু এস) দা চনবা কেন্দিদেটশিংগীনি, সিট ১০ অমনা য়ু আরগীনি অদুগা লেমহৌরিবা সিট ৪ অদুনা ওল ইন্দিয়া ক্বোটাগীনি হায়নরি। হায়রিবা ঈ দব্লিয়ু এস অমসুং য়ু আরগী এম বি বি এস সিটশিং অসি অসাম য়াওদনা লেমহৌরিবা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী ওইগদৌরিবনি। য়াম্না অমুক থোইদোক হেন্দোক্না স্পেসিএল ওইরিবদি ঈ দব্লিয়ু এসকী খাক্লিবা এম বি বি এসকী সিট ১১ অসিগীদমবক ঈ দব্লিয়ু এস কেন্দিদেটশিং নত্তনা অতৈ এস টি, এস সী অমসুং ও বি সী কেন্দিদেট অমত্তনা এপ্লাই তৌবগী ইলিজিবল ওইহন্দ্রি। অমরোমদা য়ু আরগী খাক্লিবা শুপ্নতগী এম বি বি এস সিট ১০ অসিদি জেনরেল/ও বি সী/এস টি/এস সী/ঈ দব্লিয়ু এস অসিনচিংবগী কেন্দিদেটশিংনদি অমগা অমগা অঙম অঙম্বা মুন্নবা য়াহল্লি।

য়াম্না হেক চমম্নরিবা ৱাফমদি ঈ দব্লিয়ু এস সার্টিফিকেটকীদমক চঙদবা য়াদ্রবা দোক্যুমেন্টশিং শুরবফাওবা অমসুং অতৈ তঙাইফদবা এসেটকী কন্দিসনশিং ফুলফিল তৌরবসু দি সী ইম্ফাল ৱেষ্টকী মরী লৈনবা ওফিসর অমনা মৈতৈ/মীতৈ/মৈতৈ বামোন/মীতৈ বামোন/মীতৈ সনামহী/মৈতৈ রাজকুমার/মৈতৈ পাঙল হায়রিবা ক্লাসশিং অসিদি সেন্ত্রেল লিষ্টতা ও বি সী ওইনা রিকগনাইজ তৌখ্রবনিনা ঈ দব্লিয়ু এস সার্টিফিকেট অসি কনাগুম্বা হোঙবা-চাউবা মৈতৈ/মীতৈ অমদা পীফম থোক্তে, পীবসু ঙল্লোই হায়দুনা য়াম্না কন্না হায়বিরকখি। অসিগীসু মথক্তা কনাগুম্বা মীতৈ/মৈতৈনা ঈ দব্লিয়ু এস সার্টিফিকেটকী খুদোংচাবা লৌরম্লগদি আর টি আই থানবসু খঙহল্লকখিবা । ঈ দব্লিয়ু এসকী ৱাহন্থোক অসি অসিগুম্না চৎনবা তারবদি, ঈ দব্লিয়ু এসকী খাক্লিবা এম বি বি এস সিট ১১ অসি অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী লাক্লগা মণিপুর অমসুং অতৈ নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা (অসাম য়াওদনা) খুন্দা লৈতাশিন্দুনা লৈরকখ্রবা শেল-থুমগী ফীভমদি খরা ফত্তবা জেনরেল কেটেগোরিগী সিটিজনশিং/কেন্দিদেটশিংদগী ওইখ্রগনি।

ৱাফম অমনা, মৈতৈ/মীতৈগী ক্লাসশিং অসি সেন্ত্রেল লিষ্টতা ও বি সী ওইনা রিকগনাইজ তৌখ্রে হায়দুনা ঈ দব্লিয়ু এসকী সার্টিফিকেট পীরোই হায়রি। অমরোমদা অমুক মৈতৈ/মীতৈ অসি সেন্ত্রেল লিষ্টতা ও বি সী ওইনা শকখঙখ্রবসু গভর্ণমেন্টকী থবক হেক চঙবদা দাইরেক্ট ক্লাস ৱান ওইখ্রবা ওফিসরশিংদি থবক তৌরিঙৈ মনুং অমসুং রিটয়ার্দ ওইরবা ফাওবদা ও বি সী সার্টিফিকেট লৌবা য়াহন্দ্রি। অসিগীসু মথক্তা creamy layer গী ও বি সীগী মীওই কাঙলূপসু জেনরেল অমুক চিংহন্দুনা ও বি সীগী খুদোংচাবশিং ফংহন্দ্রি।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ক্লাস ৱান ওফিসরশিং অসি ঈ দব্লিয়ু এস ওইবগী কন্দিসনশিং থোইদোক-হেন্দোক্না ফুলফিল তৌরবসু, সেন্ত্রেল লিষ্টতা মীতৈ/মৈতৈশিং অসি ও বি সী ওইনা রিকগনাইজ তৌখ্রবনি হায়দুনা ঈ দব্লিয়ু এস সার্টিফিকেট পীবা য়াদে হায়রি। অসুম্না ও বি সী ওইনা শকখঙবিখ্রবা মৈতৈ/মীতৈশিং অসি অদুগুম্বা মখলগী ক্লাস ৱান ওফিসরশিং ওইরে হায়দুনা ও বি সীগী শক্তাক চে ওইগদৌরিবা ও বি সী সার্টিফিকেট অসিসু অমুক পীবা য়াদে হায়রি। অদু ওইরবদি হায়রিবা কাঙলূপ অসি ও বি সী ওইনসু নৎত্রগা ঈ দব্লিয়ু এস ওইনসু লৌবিদ্রবদি করি করম্বা ক্লাস/সেক্সন ওইনা ত্রিট তৌবীগদৌরি? ঈ দব্লিয়ু এস ওইবগী কন্দিসনশিং ফুলফিল তৌরবদি, জেনরেল চিংহন্দুনা ঈ দব্লিয়ু এস ওইনা রিকগনাইজ তৌফম থোক্তব্রা? মরমদি মখোয়শিং অসি ইকোনোমিকেল বলনরেবল (Vulnerable) ওইবা য়াওবদা নত্তনা, মশানা ও বি সী ওইনা ওইনা ও বি সীগী খুদোংচাবশিং ফংহন্দ্রিবনি। মতাং অসিদা হংনীংলিবা অমনা অসিগুম্বা মীওইশিংনা মশাবু ও বি সীনি হায়বসি শক্তাক্লবা নৎত্রগা অতেপ্পা তঙাইফদবা থবক অমগী ও বি সী সার্টিফিকেট চঙলক্তবা য়াদবা থোক্লবদি য়াম্না ইনাকখুনবা নৎত্রগা ক্লাস ৱান ওফিসরনি রুলনা য়াদে হায়দুনা তুশোন-মানশোন্না লৈবিগদৌরিব্রা? মসিগী মহুত্তা অরিবা ৱাখল থাদোক্লগা অনৌবা নায়না চৎনবা য়াবা চৎন-কাঙলোন, লৌশিং পুথোক্তুনা মীতৈ-মৈতৈ ফুরুপ্পু ফাগী তাহন্দনবা হোৎনবিবা ফগনি। মীতৈ/মৈতৈগী ফুরুপকী মনুংদা ঈ দব্লিয়ু এসতগী হেন্না শাথিনা ইকোনোমিকেল্লি ৱিক ওইবা মীওই লিশীং-লিশীং লৈরি হায়বসি খঙমিন্নসি।

অরোইবদা, মরী লৈনবা কম্পিটেন্ট ওথোরিটিশিংনা মীতৈ/মৈতৈশিংবু ঈ দব্লিয়ু এস সার্টিফিকেট পীনবগী ইলিজিবল ওইদে হায়রবনিনা হন্দক রিমসতা তাঙনা খুদোল ওইনা তম্বীরকখ্রবা ঈ দব্লিয়ু এসকী এম বি বি এস সিট ১১ অসিগীদমক মীতৈ/মৈতৈ কেন্দিদেটশিংনা এপ্লাই তৌবা অমত্তা য়াররোই। মরম অসিনা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা অখঙ-অহৈশিংনা কুপ্না নৈনবিরগা ঈ দব্লিয়ু এসকী নুংগী ৱাহন্থোক অসি খরা থুনা, খরা হেন্না ফজহন্নবা নোল্লুক্না নীংশিংজরি।

*অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি, সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

# ওলিম্পিক্কী মঙ মঙহল্লোইসি

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**




ওলিম্পিক কাউন্ট-দাউন, ইমালোন্দা হায়রগা ওলিম্পিক্কী নুমিৎ খূৎ থেক্তুনা পাবা, শান্নবদা ঙাওজবা লৈবাকশিংগী মীয়ামদি হৌজিক্তই হৌনা হৌরম্লনি। ইন্দিয়াসু মশান্না খরদদি শরুক য়াদৌ লৈরবনা, 'ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিয়েসন'গী ওফিসলশিংসু হৌজিক্তই প্লান তৌরমগনি - মথং চহীদা জপানগী টোকিও সহরদা কোরৌ নুমিৎ খরনি, মশাগী মরন্নাই এক্সপেন্দিচর তিংদনা কোয়বা ওইনা লৈরুনবা। কুমজা ২০২০গী জুলাই ২৪দগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা টোকিও-ওলিম্পিক্স পাঙথোক্লগনি। খ্বাইদই চাউবা শান্নবগী কুমহৈ অসিগীদমক, অতোপ্পা লৈবাক কয়াদদি চহী মরিগী মমাঙ রিও-ওলিম্পিক লোইবা নুমিৎতুদগী শেম শাবা হৌখ্রবনি - মথংগী ওলিম্পিক গেমস'তা অহেনবা মেদল ফংননবা। ইন্দিয়াগী অতৈ চীফ মিনিষ্টরদি খঙদে, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর'দি শান্নবগী ষ্টোর-হাওজদা লৈবনিনা শান্নরোয়গীদমক য়াম্না ৱাজবনি। ওলিম্পিক গেমসকী মশান্না অমদা সনাগী মেদল লৌরকপা ঙম্বা শান্নরোয়দা লুপা ক্রোর অনী পীগনি, সিলভর মেদল ফংবদনা ক্রোর অমা-মখায়, ব্রোঞ্জ মেদল ফংবদনা ক্রোর অমা পীগনি লাউথোকখিবনি। ওলিম্পিক মেদল ফংবসিবু লমহাং-তুহাং-শঙ্গোয়দা প্রাক্টিস তৌরগা হেক্তা য়াবদৌনা খনবরা! নেসনল লেভেল কম্পিটিসন'দা টিম-চেম্পিয়ন ওইরক্লে, বেষ্ট প্লেয়র তারক্লে হায়বই পাউ 'পাউচে' দা তোয়না য়াওমনবদুদা হেক্তা য়াদৌবোই খনব-জাৎলা! ঐদি ঙকখি - অদুক য়াঙনা শান্নরোয় ওকপদা লাউথোকখ্রগা, ওলিম্পিক য়ৌনা কানবগী কৈরাক্তু থাবীবই ৱাখলদি খন্দবা, শান্নরোয়শিংনা শান্নবুংদা মায়োক্ন রিবা খুদোংচাদবশিংদুদি, চত্তুনা য়েংবীবদি লায়রদুনা শান্নরোয়না থোঙজিন্দা লেপ্লুবদা চাক্লিবা ওইনা উবা লৈঙাকপশিং! ঐদি মখোয়গী ৱারী শানীংদে।

ওলিম্পিক'তা ইন্দিয়ানা ঙাওজবদি, করিদা হংলুরনি। কুমজা ১৮৯৬ এথেন্স'তা হৌদোকখিবদুদা য়াওহৌদ্রগা, অনীশুবা গেমসতুদই হৌনা য়াওরক্লবনি। কুমজা ১৯২০দগী ঙসি ফাওবা ওলিম্পিক গেমস অমত্তদা য়াওরক্তনা তোকখিদে। কুনমরিরক য়াওরকখ্রে, সনাগী মেদল ৯, লুপাগী ৭, সেঞ্জেংগী ১২ ফংখরে। সনাগী মেদল ৯সিদি ৮দি হোকিদা ফংবনি। পূন্না মেদল ২৮!

অদুগা কুমজা ১৯৫২দা হেলসিঙ্কি গেমসতা ইহান হান্না য়াওরকখিবা, মেদল অমত্তা ফংখিদবা 'চিনা', পোলিটিক্সকী ওইবা ঈরাংদগী য়াওখিদ্রগা, কুমজা ১৯৮৪ লোস এঞ্জেলস ওলিম্পিক'তগী য়াওবা হৌরকখি। ঙসি ফাওবদা তরারক য়াওরকখ্রে, কুমজা ২০০৮দসু হোষ্ট ওইখরে। ফংখিবা মেদল মশীংনা - সনাগী ২৩৭, লুপাগী ১৯৫, সেঞ্জেংগী ১৭৬ - পূন্না মেদল ৬০৮! ইন্দিয়ানা কৈদৌঙৈ তান্নবা ফংগনি? ফিগর অসি, ক্রিকেট'না লোইরে খঞ্জবা ইন্দিয়াগী অঙম অথৌ, অচৌ-অশাংদি নোংমতসু নীংশিংলম্লোই, ইকায়বসু পোক্লম্লোই।

কুমজা ২০০৮, বৈজিং ওলিম্পিক্স'তা ইন্দিয়াগী শুটর অভিনব বিন্দ্র'না ইন্দিভিজ্যুঅল গোল্ড মেদল লৌখিবদুগী তুংদা অনীশুবা ইন্দিভিজ্যুঅল 'গোল্ড মেদল' লৌরক্কদবা নুপা নৎত্রগা নুপীদু কনা ওইরক্কদগে? কুমজা ২০২০ - টোকিও ওলিম্পিক'সিদা থোক্লক্কদ্রা? শান্নবদা ঙাওজবা মীওই খুদিংমক্না হংলিবনি। পাউখুম অমুক্তং থিমিন্নসি। রাজ্যবর্ধন রাথোর'না কুমজা ২০০৪, এথেন্সতা সিলভর অমা ফংখিবা, কুমজা ২০০৮দা অভিনব'না সনাগী মেদল লৌখিবা, কুমজা ২০১২ লন্দন'দা বিজয় কুমার অমদি গগন নারংনা সিলভর অমগা সেঞ্জেং অমগা ফংখিবদুনা, কুমজা ২০২০দসু সৌরব চৌধুরি, অঞ্জুম মৌদগিল, অপুর্বি চন্দেলা, অভিশেক বর্মা, দিগবিজয় সিংহ পনৱর, রাহি সর্নোবত, মানু ভাকেরনচিংবা শুটর মরকসিদগী অমা থোক্লক্কদরা পানবনি।

সাইনা নেহৱাল'না 'লন্দন' দা সেঞ্জেং ফংখিবা, পি ভি সিন্ধু'না রিও'দা লুপাগী মেদল ফংখিবদু 'টোকিও'দা করি ফংবা ঙমগনি? নুপী অনীসি নত্তনা অতোপ্পা অমা থোক্লক্তে। নুপাগীদা 'কিদম্বী শ্রীকান্ট' নত্তনা অতোপ্পা অমা আশা উদে। মথং চহীগী মে থাগী মমাঙদা ইন্দিয়ন বেদমিন্টন টিম মশক লাকপা ঙমখিরোই।

বিজেন্দর সিংহ'না কেজি ৭৫গী কাঙলূপ'তা, এম সী মেরি কোম'না কেজি ৫১গী কাঙলূপ্তা বৈজিং অমসুং লন্দন ওলিম্পিক্স'তা বোক্সিংগী সেঞ্জেংগী মেদল অনী পুরকখিবদুগী মতুংদা অতোপ্পা মেদল ফংবা য়াবা ইন্দিয়ন বোক্সর কনানো? সেপ্টেম্বর ৭, ২০১৯ রসিয়াগী একাটেরিনবর্গ'তা পাঙথোক্কদৌরিবা নুপাগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ'সিগী মতুংদা খঙলগনি।

ট্রেক এন্দ ফিল্ড (এথলেটিক্স) তা ইন্দিয়াগী আশা মমি শাল্লম্বদু, ইকুই কুইদ্রিঙৈ মমাঙদা সনাগী তকমান মথং মথং ফংলকপসিদা টোকিও ওলিম্পিক্তা মেদল অমা, মানা পামজবা/হৈনজবা মিটর ৪০০ অমসুং ২০০গী লমজেল' দা 'হিমা দাস'তগী আশা তৌবা য়াবরা? হংনরি। মহাক অসামদগীনি। তা (জেবলিন) লংবা 'নীরজ চোপ্রা' - ৱর্ল্ড নম্বর ৪দগীসু মেদল অমা আশা তৌরি, খূনীংদা শোকপগী সর্জরিদু থুনা ফগৎলক্লগদি।

'রিও' গেমসকী জিম্নাষ্টিক'তা মরিশুবা তাখিবী, ত্রিপুরাগী 'দিপা করমাকর' - মরাইবক্না তাথীদুনা হঞ্জিন হঞ্জিন শোকপদগী তম্বা ঙমদ্রি - টোকিওগীদমক ক্বালিফাই ওইগদ্রা? আর্চরিদা নুপীগী টিম ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদ্রবসু নুপাগী 'রিকর্ব' টিম (অতানু দাস, তরুনদীপ রায়, প্রবীন যাদব) ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবসিনা, মেদল অমগী আশাগী মৈরিদুফাওবদি চূরম্মী। রিও'দা রেষ্টলিং ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবী 'সাকসি মালিক' টোকিওগীদমক ক্বালিফাই ওইনি/ওইরোই খঙদরি। রেষ্টলিংদা মীয়াম্না আশা তৌরিবদি 'বজরং পুনিয়া' নি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মণিপুরগী শান্নরোয় কয়া টোকিও-ওলিম্পিক্তা য়াওরক্কদগে? তম্বা ঙমদ্রি কনানসু। থাজে, খরদি শোয়দনা থোক্লক্কনি। জুদো মশান্নদা কেজি ৪৮গী কাঙলূপ্তা আশা লৈরিবী হৈঙাংদগী লিকমাবম সুসিলা ক্বালিফাইং টুর্নামেন্ট অমা ৱাৎলিবসি শান্নরবা তুংদা খঙগনি - মহাক কুমজা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক্কীদমক ক্বালিফাই ওইগদ্রা! ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টকী অচৌবা এশোয়বা অমা ঐবু হায়জৌ হায়রগদি - ইন্দিভিজ্যুঅল শান্নরোয় ময়ামসিনা ওলিম্পিক ক্বালিফাইং টুর্নামেন্ট য়াওবসি, মশাগী মরন্নাই পৈশানা চৎহল্লি। ঙম্বমখৈ চৎখিবা, ঙমদবনা লৈহৌবা। থৌওং অসি লৈরিমখৈ, মণিপুরগী টেলেন্ট লৈবা শান্নরোয়, লায়রকোন্দা হৌবশিং-ওলিম্পিক'কী মঙ মঙলুবা ঈ ওদুনা শিনবনি। অদুনা ঐদি হায়নীংই - চৎফম লম্বী অমদি শেমদনা পম্থুং য়ৌবা ঙম্বশিং মনা পীনি লাউথোকপগী থৌওংসিমা তোকপীয়ু। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ৭৮

**উসম ধনঞ্জয়**

**জুলাই ২৪, ২০০৯ :** ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মমাঙদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ময়োলদা থোকখিবা থৌদোক অদুগা আর পি এফ অমসুং মসিগী লান্মী পি এল এগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলূপ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী চীফ জি এম চাংজৌগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মীরোনবী নুপী অমা শিখিবা অদুগা নুপী অনী য়াওনা মীওই মঙানা অশোক অপন নংখিবদু য়াম্না লাইবক থীবনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা চেরোল অসিনা রবিনা লৈখিদবা অমসুং মীওই মঙা অশোক অপন নংখিবদু পুলিস কম্মান্দোশিংনা মীওই অমা ফানবা হোৎনবদা অতৎ-অখম লৈতনা নোংমৈ কাপ্পদনি হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

অসিগুম্বা থৌওং অসি মপু পেন্নবা মতম কয়াদগী ও ইবোবী লৈঙাক্কী মণিপুর পুলিস কম্মান্দোশিংনা লেপ্তুনা চথবা ফেক এনকাউন্টরগী দ্রামা অমনি হায়না মরাল শীরদুনা চেরোল অসিনা হায়, রবিনা লৈখিদবা অমসুং মীওই মঙা অশোক-অপন নংখিবদু পুলিস কম্মান্দোগী কাঙবু অমনা শামু মখোঙ ময়াদা অয়ূক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা মীওই অমা নোংমৈ শত্তোক্লগা নম্লগা ফানবা হোৎনবদা মীওই অদুনা নোংমৈ কন্থরম্লগা চেনখিবদগী মহাক ফানবা কম্মান্দোশিং অদুনা নোংমৈ কাপ-কাপ্তুনা তান্নরকপদা হাইদোরকপা মরূনা পানবদনি। ঙরাং খূৎলায় পায়বা মীওই অমত্তগা পুলিস কম্মান্দোগী কাঙবু অদুগা নোংমৈ কাপ্পখিবা লৈতে। পুলিস কম্মান্দোগী নোংমৈ কাপখিবদি লৈ।

ঙরাং কম্মান্দোশিংনা সরেন্দর তৌ হায়বা য়াদে হায়দুনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা খুরাই কোংপাল সাজোর লৈকায়দগী চুংখাম সঞ্জিৎ হায়রিবা মীওই অদু পুলিস কম্মান্দোশিংনা তান্নরকপা মীওইদুরা নৎত্রগা মফম অদুদা অতোপ্পা থবক অমগী লাকপা মীওইরা হায়বসি খন্থনীংঙাই ওই। মসিগী মরমদি মীওই অদুদগী ফংই হায়রিবা পিষ্টোল অদু মহাক হাৎত্রিঙৈগী মমাঙদা পুলিসকী কাঙবু অদুনা হান্না গম্ভীরসিং দুকান মমাঙদা তারমই হায়দুনা পাউমীশিংদা উৎখ্রবনি হায়না চেরোল অসিনা হয়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা এসেম্বলিদা হোমগী থবকসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা পীখিবা রিপোর্টতা ওপোজিসন এম এল এ পূম্বা য়াওনা মেম্বর খুদিংমক্না য়াম্না ঙকপা মওংদা থৌদোক অদুগী মতাংদা অচুম্বা অমা খঙনবা ইনক্বারি তৌ হায়বনচিংবা অমত্তা তকশিন্দনা চীফ মিনিষ্টরগী ৱারোল অদুবু হেক্তা শৌগত্তুনা য়াওল ঈহৌবু লান্না উহন্নবা হোৎনখি হায়নসু চেরোল অসিনা মরাল শীরি।

**জুলাই ২৪, ২০০৯ :** ঙসি অয়ূক পুং ৬.৩৫ রোম তাবদা বাবুপড়াগী জোব সেন্টর ময়াদা লৈবা নন লোকলনা ফম্বা গ্রোসরি দুকান অমগী মমাঙদা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমা লৈরম্বদগী পুলিসনা লৌখৎখ্রে।

পুলিসনা লৌখৎখ্রবা বোম অদু 'তুম দোনোংকো ফার্ষ্ট ৱার্নিং' হায়না থাবা চে অমা সেলুটেদনা নপশিল্লগা থল্লম্বনি হায়রি।

মরকসিদা, ঙসি অয়ূক পুং ৭ লোম তাবদা রিমস হোস্পিটাল মনাক্কী লাঙ্গোল ভিয়ু চেরিটেবল এন্দ মেটর্নিটি ক্লিনিক্কী গেটকী নাকন্দা পোকখায়দ্রিবা হেন্দ গ্রেনেদ অমা তারম্লে হায়রি।

হেন্দ গ্রেনেদ অদু অচৎ-অওকশিংনা থেংনরকপনি। তাঞ্জা অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী ও সী, কে টি সিংহনা লুচিংবা টিম অমা লাক্তুনা য়েংখি। গ্রেনেদ অদু য়েংবদা পোকখায়গদবা মান্দবদগী মঙক লৈথৎলগা পুরগা চৎখি হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ূক পুং ৪ রোম তাবদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ২১শুবা অসাম রাইফলসকী কম্বাইন্দ টিম অমনা হিয়াংলম এরিয়াদা ওপরেসন চথবদা য়ু এন এল এফ অমসুং প্রিপাক্কী মীওই অমমম ফারে হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সেনিয়র এস পিগী চেরোল অমনা হায়রি।

অতোপ্পা অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ২৮শুবা অসাম রাইফলসকী কম্বাইন্দ টিম অমনসু ঙরাং নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবদা লাংজিং কৈথেলদগী প্রিপাক্কী মীওই অমা ফাখি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কম্মান্দো টিম অমনসু ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তাবদা ওল্ড থুম্বুথোংগী বাস্কেটবোল গ্রাউন্দ মনাক্তগী কে সী পি (এম সী) গী মীওই অমা ফাখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোনা ঙরাং তোঙান তোঙানবা মফমদগী কে সী পি (এম সী) মীওই ৩ ফারে হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সেনিয়র এস পিগী চেরোল অমনা হায়রি।

মরকসিদা, হেদ ক্বার্টরস আই জি এ আর (সাউথ) কী মখাদা লৈবা নাইন সেক্টরগী ৩৪শুবা অসাম রাইফলসনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগা লোয়নন্না হৌখিবা তাং ২২দা মালোম/লৈরোংথেলদা ওপরেসন চথবদা কে সী পি (এম সী) গী মীওই অহুম ফারে হায়রি।

৩৪শুবা অসাম রাইফলসনা ঙসি খোংজোমগী স্লোপলেন্দগী এরিয়াদা মোবাইল ভেহিকল চ্যেক পোষ্ট অমা হাংদোক্তুনা চ্যেক তৌবদা প্রিপাক্কী মীওই অমা ফারে হায়রি।

**জুলাই ২৪, ২০০৯ :** ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা খন্নখিবা দিমান্দ অহুমগী মনুংদা দিমান্দ অনী - পাৱর অমসুং কঞ্জ্যুমর্স এফ্যেরস ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন্দা ওপোজিসনগী এম এল এশিংনা পুখৎলকখিবা কট মোসনশিং হন্দোকউ য়াদবদগী ভোইস ভোট্রা পাস তৌখ্রে। প্রিন্টিং এন্দ ষ্টেস্নরিগীদি য়েৎনবা লৈতনা পাস তৌখি।

ঙসিগী খন্নবা অদুদা, ইলেক্ট্রিক পোষ্টশিং য়ুংবগী মহুত্তা মসিগীদমক কায়থোকখিবা লুপা লিশীং চৎপীশিং ওইনা থেৎলবদি হেন্না ঙাল্লগনি হায়না এম এল এ ও জয়না দিপার্টমেন্ট অসিগী থবক খূৎতৌদা করেম্নবা ৱাফম থমখ্রে।

ঙসি ভোইস ভোট্রা পাস তৌখ্রবা দিমান্দ অনীগী মতাংদা এম এল এ, রাধাবিনোদ কোইজম, ও জয়, ডা. এন জি বিজয় অমসুং ডা. আই ইবোহনবীনা পুখৎখিবা কট মোসনশিং অদু মরী লৈনবা মিনিষ্টরশিংনা শেংদোক্লবা মতুংদা হন্দোকপীয়ু হায়না স্পিকরনা হায়জবদা হন্দোকউ য়াখিদবনি।

**জুলাই ২৪, ২০০৯ :** মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর এম দি ইস্লামুদ্দিন মীহাৎকা মরী লৈননা নেসনল সিক্যুরিটি এক্ট (এন এস এ) গী মখাদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা মহৈরোয়শিং থাদোক্লবা দাবী তৌদুনা দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) না থা অসিগী ১৫গী অহিং নোংয়াইদগী কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা ওটোরিক্সো মৈ থাবদা চেন্নবনি হায়বা দেসামগী মীহুৎ অনী ঙসি কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং মখা তানা নুমিৎ ১৫নিগী জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ লৌথখ্রে।

**জুলাই ২৫, ২০০৯ :** ইম্ফালগী বি টি রোদতা থা অসিগী ২৩দা থোকখিবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা থোকচোম ওংবী রবিনা দেবীগী মীশিগা মরী লৈননা জে এ সীনা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা জুদিসল ইনক্বারি তৌনবা দাবী তৌবদা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা য়াখিদ্রে। অদুবু হয়েং লৈখিদ্রবগী হকচাং লৌবগা লোয়নন্না মখা তাবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না প্রেসতা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

জে এ সী এগেনষ্ট ব্রুটেল কিল্লিং ওফ থোকচোম ওংবী রবিনা দেবীনা থোকপা চেরোল অমনা, ঙসি জে এ সীনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীগা উনদুনা মীশি অসিগী মতাংদা জুদিসল ইনক্বারি তৌবীনবা ৱাফম য়াওনা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি। অদুবু জে এ সীগী ৱাফম অদুগা তাইওননা চীফ মিনিষ্টরনা দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারি চথুগে হায়রকখি। অসিগুম্বা মীয়াম তিনবা মফমদা থোকপা মীশি অসিগী অশেংবা মীহৎপা কনানো হায়বা খঙনবা জুদিসল ইনক্বারি তৌবীয়ু হায়বদা চীফ মিনিষ্টরনা য়ারক্তবা হায়বসি লাইবক থীবনি। মরম অদুনা জে এ সীনা মীয়ামগা লোয়নন্না অশেংবা মীহাৎপা পুথোক্লবা মখা তাবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

জে এ সীগী চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, ইমুং-মনুংগী অৱাবা অমসুং রবিনা মশাদা থা তরেৎকী অঙাং অমা নাওপুদুনা লৈখিদ্রবী অসিগী লাইনীং-লাইশোনগী ওইবা মথৌ মঙম তঙাইফদনা পাঙথোক্লবগীদমক লৈখিদ্রবীগী হকচাং হয়েং তাং ২৬তা লৌরগনি। লোয়নন্না জে এ সীনা হয়েংদগী মখা তাবা খোঙজং ওইনা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি।

চৈরকসিদা, ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গেনাইজেসন (অমুকো) না থৌদোক অদু নিন্দা তৌরকপগা লোয়নন্না অৱাংবা থাক্তা থিজিন্দুনা মীয়ামদা চমম্নবা কয়া থোক্লিবা অসি কোকহনবা চুমগনি হায়না প্রেসতা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা, অশোনবা নুপী অমবু তমথীনা হাত্তোকপীরবা মতুংদা শা-ষণ অমগুম গাড়ীদা হাপকৎতুনা পুখিবা, অশিবা হকচাং অমবু ইকায়খুম্নদবা থৌওংদুমক মণিপুরগী নুপী মীয়াম্না হৌদুনা মীহাৎপা লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা শীংনবা মথৌ তাই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।